# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 02-02-2025)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-ইরং তুরেলগী মথক্তা শাবা অনৌবা আর.সি.সি. থোং শাবা লোয়শিনবা অসিনা রাজ্য অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মমং চহিদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা হান্না লৈরম্বা ভেল্লি ব্রিজ নিংখায়খিবদগী অনৌবা আর.সি.সি. থোং অসি শাবা হৌরকখিবনি। থোং অসি শাবা লোয়বা অসিনা রাজ্য অসিগী ওইনা হায়ৰে ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদা অচৌবা পন্দুপ অমা ওইরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নেসনেল হায়ৰে ৩৭ তা নৌনা শাবা মক্রু অমসুং বরাক থোংসু লোয়শিনখিবা অসিনা হায়ৰেশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফাগৎহন্নবা সরকারনা লৌখিবা ফিরেপশিংগী মনুংদা অমনি। থোংশিং শেমগৎলকপা অসিনা কন্নেক্তিভিতি, করবারগী থবক থৌরমশিং, চৎথোক চৎশিন অমসুং টুরিজমগী লমদা চাউনা খুদোংচাবা পীবতা নত্তনা রাজ্য অসিগী চাউখৎ লম্বীদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা শেমগৎ শাগৎলিবা প্রি-ফ্রেবিকেটেদ য়ুমশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু লৈফম চাফম য়াওনা মতমগা চুন্নরবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফংহনবা হায়বসি সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি। খোঙচৎ অদুদা মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. টি.ঐচ. শান্তিসু শরুক য়াখি।

**ৱেটলেন্দ (এল)ঃ** অমত্তা ওইবা তুংলমচৎ অমগীদমক ঐখোয়গী পাৎশিং ঙাক

শেনদুনা থন্বা হায়বা হীরমদা মালেমগী পাৎ কনবা নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

মনিপুরদসু নুমিৎ অসি দাইরেক্তরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা লৈশাং হিদেনদা পাঙথোক্কনি। থৌরমদ্দা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, ফোরেষ্ট ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ অমসুং এম.এল.এ. করাম শ্যাম শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ৱেটলেন্স ওফ মনিপুর ভোল্যুম ৱান ফোংগনি। ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী সিম্পোজিয়ম, পোষ্টর কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোক্কনি।

মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা পাৎকী মতাংদা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর টি. ব্রজকুমারনা হায়-মালেমগা ওইনা হোংলক্লিবা ক্লাইমেত চেঞ্জগী ফিভম অসি ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ৱেটলেন্দশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মরম অসিনা ৱেটলেন্দবু ঙাক শেনদুনা অমদি য়োকখৎনবগী তঙাইফদবা অদু খঙমিন্ননবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মহাকা হায়-সরকার অসিনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা পাৎশিং য়োকখৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। নেসনেল ৱেটলেন্দ এটলাষ্ট স্পেচ এপ্লিকেসন সেন্তরনা ইং ২০১০ দা পুথোকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না রাজ্য অসিদা হেক্তর ২.২৫ তগী হেন্না চাউবা পাৎশিং অসি ১৩৪ নি। মসিগী মনুং পাৎ ৯৭ তি ষ্টেট রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্তরগা লোয়ননা দিজিতেল মেপ্পিং তৌবা লোইরে। শ্রী ব্রজকুমারনা হায়-মসিগী মনুংদা পাৎ ২২ প্রিন্ট দোকুমেন্টেসন তৌবা লোয়দুনা ভারত সরকারদা টেকিকেল রিপোর্ট থাখ্রে। পাৎ ২২ অসিগী মনুংদা পাৎ তরেৎ মনিপুর সরকারনা অথুবা মতমদা ৱেটলেন্দ কেটেগোরিদা নোটিফাইদ তৌনবা হোৎনরি। মহাকা হায়-পাৎ তরেৎ অসিগী মনুংদা পাৎ মরি-কাংপোকপীদা লৈবা জাইমেং, ইম্ফাল ইষ্টগী য়ারলপাৎ,

বিষ্ণুপুরদা লৈবা উত্রাপাৎ, থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লোন্নবদা লৈরিবা ৱাইথৌ ফুমনৌ পাৎ কেন্দ্র সরকারগী মতেংগা লোয়ননা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলি।

**হেলথ(এল) ঃ** স্পাস লেপ্রোসিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ভাব তামীন্ননবা হোৎনরসি। লেপ্রোসিগী মতাংদা লৈরিবা অরানবা ৱাখল্লোনশিং লৌথোক্লসি। মীওই অমা ফাওবা লেপ্রোসিনা নাহন্দবা হায়বা হীরমদা স্পাস লেপ্রোসি এৱারনেস কেম্পেইন (স্লেগ) ২০২৫ গা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক সাইকল রেল্লি অমা লমথাখ্রে।

সাইকল রেল্লি অসি ডাক্তরস ওন পেদলস অমদি ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা পুন্না শিনবনি। সাইকল রেল্লি অদু ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা মেদিকেল দাইরেক্তোরেট কমপ্লেক্সতগী হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহনা লমথাখি।

**বাবিনা(এল) ঃ** ইম্ফালগী খাবৈশোইদা লৈবা আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট-বাবিনা স্পিসিএললিতি হোস্পিতাল অমসুং বিষ্ণুপুর পুলিস অনিনা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

মীওই ১০০ হেন্না শরুক য়াখিবা কেম্প অদুদা বাবিনা দাইগোষ্টিক্কী মায়কৈদগী টেষ্ট কয়াসু পাঙথোকখি।

**মীফম(এল) ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র, কে.ভি.কে. সেনাপতিগী ২৯ শুবা সাইন্টফিক এদভাইজরি কমিতিগী মীফম ঙরাং সেনাপতিগী দোনবোস্কো কলেজ-মরামদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ২০২৪-২৫ গী এন্যুয়েল রিপোর্ট অমসুং ২০২৫-২৬

এনুয়্যেল এক্সন প্লানগী প্রজেন্টেসনশিং পুথোকখি।

**কোন্বী (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মীয়ামবু লুচিংদুনা রাজ্য অসিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরন্বী-পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুরগী লুচিংবী ওইরন্বী-ইমা কোন্বী লৈখিদবগী ২১ শুবা নীংশিং থৌরম ঙরাং লমফেল সুপর মার্কেটতা লৈবা ইমা অসিগী য়াতাফমদা পাঙথোকখ্রে।

**গেমস (এল)ঃ** উত্তরাখন্দদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুর সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪ পুন্না তকমান ২৪ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মরিশুবা মফমদা লৈরি।

ৱুশু মশান্নদা মনিপুরনা সনাগী তরেৎ, লুপাগী ৮ অমসুং শেঞ্জেংগী অনি পুন্না তকমান ১৭ লৌখি। ৱেদলিফটিংদা সনাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অনি পুন্না তকমান মরি অমসুং ত্রাইথলোনদা সনাগী অনি, লুপাগী অমা পুন্না তকমান অহুম লৌখি।

মেদল টেল্লিদা সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ১৪, লুপাগী ৭ অমসুং শেঞ্জেংগী মঙা পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

করনাতকনা সনাগী ১৩ য়াওনা পুন্না তকমান ২৩ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাস্ত্রনা সনাগী ১১ য়াওনা পুন্না তকমান ৪১ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

**বজেটঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়রি-কেন্দ্রগী বজেট অসি মরুওইনা লৌউ শিংউ, খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মীওইশিং চাউখৎহনবা অমসুং সহরগী মফমশিং চাউখৎহনবদা অহেনবা মীৎয়েং থমবগীদমক্তনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শেল থুম মন্ত্রিনা হায়-

পুথোক্লিবা বজেট অসিনা ভারতপু ভিক্সিত ভারত ওইনবগী লন্বীরোমদা চংশিল্লগনি। মহাকা হায়-বজেট অসিদা হকশেল অমসুং শিক্ষাগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। মন্ত্রিনা হায়-টেক্স কোকপীবগী চাং লুপা লাখ ৭ তগী লুপা লাখ ১২ দা হেনগৎপা অসিনা মীওই কোতি অমা হেনবদা কান্নবা পীগনি। মহাকা হায়-অনৌবা ইনকম টেক্স বিল অসি মথং চয়োলদা সংসদতা পুথোকগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা য়ুনিয়ন বজেট ২০২৫-২৬ হাউসতা পুথোকখিবা, চীফ মিনিস্তরনা বিষ্ণুপুর জিলাগী কুন্বীদা পাব্লিক ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা, লাঞ্জেন্নরিবশিংগী প্রি-ফ্রেব্রিকেটেদ হাউস শাবগী থবক য়েংশিনখিবা অমসুং উত্তরাখন্দদা চংথরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪ পুন্না তকমান ২৪ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি হায়না ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী বজেট পুথোকখিবা, চহিদা লুপা লাখ ১২ ফাওবা ইনকম লাকপা মীওইশিং ইনকম টেক্স থিররোই। অৱাং নোংপোক্কীদমক দোন্নর মিনিষ্ট্রিদা চাদা ৪৭.৬ কী শেনফম হেন্না থাদখ্রে হায়বা পাউ-সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থৱায় মাঙখ্রবা অমসুং আই.দি.পিশিংগী কৎথোকপা অদুনা ঙসিগী অমদি তুংগী মীরোল কনবা ঙমগদৌরিবনি। চহি ৫০ হেন্না পট্টা পীদনা লৈরম্বা ফিভমসিদা ঐখোয় কয়ামকুইনা হিংগদৌরিবনো হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মনিপুর ন্যুজতা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সেফ এন্দ সাউন্দ মনিপুর অমা শেমগৎপা হায়বসিনা সরকারগী লেংদ্রবা

পান্দমদি হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়েলহৌমীশিং লোয়শিন্নবা হোৎনবতা নত্তনা মনিপুর থুগায়নবসু হোৎনরি, পান্দম ফংনবগীদমক ৱাখল চোইবগী মহুৎ পুন্না চৎমিন্নসি হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা এম.জি-নরেগাগী থবক চাদা ৯৯ গী চাংদা শুবা ঙমখ্রে, তম্পাক্তদি থবক শুবগী চাং কা হেন্না হন্থরি হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জি.এস.টি. রিলাইন্দা মনিপুরনা মকোক তারে। নাগালেন্দনা অনিশুবদা লৈরি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিস্তরনা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেট মীয়ামগী নত্তে, বিহারগী ইলেক্সনগী য়েংলগা পুথোকপা বজেটনি হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গভনর-অজয় কুমার ভাল্লা ফেব্রুৱারী মরিদগী নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎতা দিল্লি চৎকদৌরি হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর মেলদা-৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা ৱেথলিফতিং অমসুং ৱুশুদা মেদল ৯ ফংবা ঙমলে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নোনে দিষ্ট্রিক্টতা লম একর মরি হেন্না চাউবা মফম অমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।